[illegible]

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ১১, ২০২৩, ইম্ফাল
৪৭শুবা চহী, ১৯৭শুবা মশীং

# হুরান্দবগী কোক্তা নাপী পকপা

## য়াদে খঙহলহৌ

মণিপুরদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং শীজিন্নরকপগী ৱারীসি ঙরাং-নহান্তগী ৱাফম নত্তে, কুইরে। মসিগী মরম কোকথোং অমা লৈরম্বা য়াই। অদুবু মরমশিং অদুগী মনুংদা অমদি মণিপুরনা মপান লৈবাক অমগা ঙমখৈ শাংনা পুল্লুবদগীনি। মসিদগী ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং মণিপুর য়ৌশিল্লকপদা লায়না থোকপদগীসু হেনগৎলকপনি। মখল কয়াগী ইল্লিগেল দ্রগশিং ঈশিং চেনশিল্লকপদৌনা ওরো-ওরো চেনশিল্লক্লবসু ষ্টেটসিগী মীয়াম্না মিৎচিনা ফাওবা য়েংনীংলোইদবা চাওখৎপা খুন্নাই অমগী থাক্তসু লৈবা ঙমদবনা হায়রিবা চিঙ্গাকশিং অসিগী ঈপাক্তা ঈরাক্লবা মীগী মশীংসু য়ামখৎলকপনি। ফীভমসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক্কী ঈপাক্তা ঈরাক্লরবশিংদুনসু থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকহল্লকপা য়াম্না য়াওখ্রে। চহী খরগী মমাঙদা শীংজমৈ এরিয়াদা পীক্লিবা অঙাং অমগী মনাদগী সনা থৎনবগীদমক অঙাংদু হাত্তোকপীবগী থৌদোক থোকখ্রে। ময়াই কাবা ইল্লিগেল দ্রগশিং পাক্তক্লনা শীজিন্নরকপদগী হেন্না চাশিন থকচিল্লুবদগী 'ওভর দোজ' দা লৈখিদবা কয়াসু য়াওখ্রে। ষ্টেটসিদা পাক্তক্লনা চাবা-থকপা তৌনরকপদগী হেন্দোক্তুনা মণিপুর ইল্লিগেল দ্রগশিংগী 'ত্রাঞ্জিৎ রুট' অমা ফাওবা ওইরকখ্রে। মসিগী মথক্তা দ্রগশিংগী শুংফম ফাওবা শেমগৎনরকখ্রে। পূম্নমকশিং অসিদগী মণিপুর লৈঙাক্লা কুমজা ২০১৮দগী ষ্টেটসিদা 'ৱার ওন দ্রগস' কী অকনবা কেম্প্যেন অমা চত্থরকখ্রে। চীংমাই খোন্না থারম্বা পোপি পান্বীশিং মরূ ফংনা মাঙহন্নবগী থবকশিং লৌখৎলকখ্রে।

ময়াই কাবা চিঙ্গাক অমা ওইরিবা য়ুগী মায়োক্তসু ইমা ইবেলশিংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লকপদগী 'টোটেল প্রোহিবিসন এক্ট' ফাওবা শেমদুনা চৎনহল্লকখিবনি। মসিবু লৌথোক্লবা হোৎনরকখিবা থেঙ্খাং কয়াদা শা-লান শান্নখিবনি। অদুবু লৈঙাক্লসু 'দ্রগ ফ্রি ষ্টেট' অমা ওইহন্নবা লৈজবা পান্বৈশিং পুথোক্তুনা হোৎনরকপদা মখোইদৌ থিৎপমখৈ শাওবা কাঙবু য়াওরকপদগী হৌজিক ৱাথোক ওইনরিঙৈগী চৈরক্তা ওক্টোবর ৯, ২০২৩দা ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসতা থোকখ্রিবা থৌদোক্তুবু থোকফম থোকপা থৌদোক্লা হায়বনি। জম্মু এন্দ কাশ্মীরদগী মীওই অমনা নোনেদা লৈবা ১৯শুবা অসাম রাইফলসকী কম্পেনি পোষ্ট অমদা লৈবা মীওই অমদা পোপি মরূ কিলোগ্রাম অমরোম থারকখ্রিবা করিগীনো? মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবনা হৌজিক থা ৫ হেঞ্জিল্লক্লবা লান অসি চত্থরিঙৈগী মমাঙদসু ৱাথোক ওইখি। মণিপুর লৈঙাক্লা চীংশিংদা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎপদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংনা শরুক য়ারবসু চীংদা দিপ্লোই তৌবা মপানগী ফোর্সশিংনা মখোয়গী নাতোন শুমাংদা পোপি পান্বী থারবসু, হৌরবসু খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকই হায়দুনা ৱাথোক ওইখি। মে ৩, ২০২৩দগী লান চত্থরকখিবদগীনা 'নার্কো-টেররিষ্ট' শিংনি হায়রিবা কুকি-চিন-মিজো মিলিটেন্টশিংদা অসাম রাইফলসনা মতেং পাংই হায়বগী অচৌবা ৱাথোক অমসু লৈরিবনি। চৈরকসিদা এ আরগী পোষ্ট অমদা মণিপুরগী মপান্দগী পোপি মরূশিং থারক্লিবা করিগীনো? অরুবা লায়নানি, চুম্না মিহুল য়েংবনা য়ারোই, থাঙ থাগদবনি। কুকি-চিন-মিজো নার্কো টেররিষ্টশিং শৌগৎলি হায়রুবদা মৈ হৌদুনা শাওরিবা অসাম রাইফলসনা মকোক্তা নাপী পক্লগা ইম্ফাল হেদ পোষ্ট ওফিসতা খুদি থীরক্লিবা করিগীনো? মণিপুর তুম্নবা মাঙহন্নবা হোৎনবদা মখোয়সু য়াওরব্রা হায়দুনা হংলক্লোইদবগী মরম লৈব্রা? থৌদোকসিদা মণিপুর লৈঙাক চিন খুন্নগা তূমিন্না লৈশিনগনু। পুলিসনা কেস লৌখৎলে, থিজিল্লি হায়দুনা লৈথোক্কনু। ৱার ওন দ্রগসকী হাইগৎলিবা থৌরবা থাঙদু মফম চানা হাইথরকউ। লমদমসিদা অসিগুম্বা থবকশিং তৌবা য়াদে হায়বদু চপ চানা খঙহলহৌ।

[illegible]

# ফিজিক্স নোবেল প্রাইজ ২০২৩

## ইলেক্ট্রোন দাইনামিক্সপু নৈনবগীদমক মঙালগী অতোসেকন্দ পলসশিং শেমগৎপা ঙমখিবগীদমক

সাইন্সকী খোঙচৎ

কুঞ্জো নাওরেম

এটমশিংগী মহৌশাগী শাগোন্নজরক্লবা টাইম স্কেল অসি অসুক্কী মতিক তেল্লি মদুদি ফেমতোসেকন্দ অমা (সেকন্দ $১০^{-১৫}$) গী মনুংদা এটমশিংনা চৎপা অমসুং লেঙবা ঙম্মী; অদুবু এটমশিংগী মনুংদা য়াওরিবা ইলেক্ট্রোনশিংগী ওইনদি মখোয়না লেঙবা অমসুং এনর্জিগী অহোংবা থোকপসি অতোসেকন্দ অমা (সেকন্দ $১০^{-১৮}$) গী স্কেলদা থোকই। অসুক য়াম্না তেনখ্রবা মতমসিগী মনুংদা লেঙলিবা পোৎ অমগী ফোটো লৌবা হায়বসি য়াম্নমক লুবা অমনি মরমদি ফোটোদু শোয়দনা ব্লর (য়াম্নমক শেংদবা) ওইগনি। য়াম্না কন্না উংলিবা ফেন অমগী মসাশিংগী ফোটোদু ময়েক শেংনা তাহনগে হায়বা তারবদি হায় স্পীদ ফোটোগ্রাফিগুম্বা তোপ-তোপ্পা টেক্নোলোজি অমা চঙই। মতৌ অসুম্না অতোসেকন্দগী টাইম স্কেলদা লেঙলিবা ইলেক্ট্রোনশিংগী ফোটোশিং লৌবা ঙম্বা টেক্নোলোজি পুথোকপা ঙমখিবগীদমক *রোয়ল স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেস*না Pierre Agostini, Ferenc Krausz অমসুং Anne L'Huillier বু চহীসিগী ফিজিক্সকী নোবেল প্রাইজ পীনবগীদমক লাউথোকখিবনি। হন্দক চহীগী প্রাইজ অসিগী শেনফম্না স্বিদিশ ক্রোনোর মিলিয়ন ১১নি অদুগা মখোয় অহুমদা চপ মান্ননা য়েন্থোক্লগা পীগনি।




মঙাল হায়বসি ইলেক্ট্রিক অমসুং মেগ্নেটিক ফিল্ডশিংনা ভাইব্রেট তৌবদগী থোকপা, মীওইবনা মশক খঙলবা পোৎ খুদিংমক্তগী খ্বাইদগী হেন্না য়াঙলবা ৱেভ অমনি। মঙালগী ৱেভলেংথনা তেল্লিবমখৈ, ফ্রিকেন্সি (সাইকলস/সেকন্দ) চাওই হায়বদি মঙাল অদুনা হেন্না থুনা ভাইব্রেট তৌই। অদুনা অতোসেকন্দগী টাইম স্কেলদা লেঙলিবা পোৎ অমগী ফোটো লৌনবগীদমক মঙালগী ৱেভলেংথ (লাইট পলস) অদু অদুক্কী মতিক তেনবা তারম্মী; অদুনা মসিগী টেক্নোলোজিসি পুথোকপগী মথৌ তাদুনা লাকখিবনি।

কুমজা ১৯৮৭তা Anne L'Huillier অমসুং মহাক্কী খোঙবুনা নোবল গ্যাস ফাওরগা চৎলিবা ইনফ্রারেদ লেজর বীম অমা শীজিন্নরগা *ওভরতোন*শিং পুথোকপা ঙমখি। লেজর লাইট অদুনা গ্যাসতু ফাওজিল্লক্তুনা এটমশিংগা থেংনবা মতমদা ইলেক্ট্রোনশিংবু ফাজিন্দুনা লৈরম্বা ইলেক্ট্রিক ফিল্ড অদু কায়রক্তুনা ইলেক্ট্রোনশিংদুনা এটমশিংদুদগী চেন্থোরকই। অদুম ওইনমক, লাইটতুগী ইলেক্ট্রিক ফিল্ডদুদি অদুম ভাইব্রেট তৌদুনা লৈ অদুগা মসিগী মায়কৈ হোংলকপদা চগোম চগোম্মনা লৈরম্বা ইলেক্ট্রোন অমনা এটমদুদা অমুক চেনশিল্লকই। ইলেক্ট্রোন্না চেন্থোকখিবা মতমদা লেজর লাইটতগী এনর্জি ময়াম অমা ফংলকই অদুগা ইলেক্ট্রোন্দুনা এটমদা অমুক চেনশিল্লকপদা এনর্জিশিংদু লাইটকী পলস অমা ওইনা থাদোরকই। অসিগুম্বা লাইট পলসশিং অসিনা ওভরতোনশিংদু শেল্লকই।

ওভরটোনশিংসি অমুক্তংবু শেমখ্রবদি মখোয় মশেল অমগা অমগা ইথিল পীনরকই। লাইটৱেভশিংদুগী পীকশিংনা লোনশিন্নরকপা মতমদা লাইটতু হেন্না কনখৎলকই অদুবু সাইকল অমদা পীক অদুনা অতোপ্পা অমগী এফকা লোনশিন্নরকপা মতমদনা শিথরকই। তাঞ্জা চারকপা মতমদা ওভরটোনশিংনা লোনশিন্নরক্তুনা অলত্রাভাইওলেট লাইটকী পলসশিংগী সিরিজ অমা থোরকই, মতমসিদা পলস খুদিংমক অতোসেকন্দ চা খরা শাংই। অসিগুম্বা চাংয়েং অসি কুমজা ২০০১দা ফজনা পাঙথোকপা ঙমখি।

Pierre Agostini অমসুং মাক্কী থিজিন লূপ্না, দবাশিংনা শমজিন্নরবা ত্রেইন অমগী মতৌগুম্না থংন-থংনবা লাইট পলসশিংগী সিরিজ অমা পুথোকপা অমসুং থিজিনবদা মায় পাকপা ঙমখি। মখোয়না তোপ তোপ্পা লাল্লোং অমা শীজিন্নখি; মসিদা ওরিজিনেল লেজর পলস অদুগী তপথহৌরবা শরুক অমগা 'পলস ত্রেইন' দুগা পূন্না থম্মিন্নে অদুগা ওভরটোনশিংদুনা চপ মান্নবা ফেজদা লৈবদু উরম্মী। থৌওং অসিনা ত্রেইন্দুদা পলসশিংগী মতমদু ওনবা ঙমহল্লম্মী, অদুগা পলস খুদিংমক অতোসেকন্দ ২৫০ ওইরম্মী।

নাকল অমরোমদা, Ferenc Krausz অমসুং মহাক্কী থিজিন লূপ্না ত্রেইন অমদগী দবা অমা লৌথোক্লগা অতোপ্পা লম্বীদা চেলহনখিবা অদুগী মতৌগুম্না পলস অমখক্তবু লৌথোকপা ঙম্বা টেক্নিক অমা শেমগৎপা ঙমখি। মখোয়না লৌথোরকখিবা পলস অদুনা অতোসেকেন্দ ৬৫০ লৈরম্মী অদুগা ইলেক্ট্রোনশিংনা মখোয়গী এটমশিংদগী চেন্থোরকপগী থৌওং অদুবু থিরম্মী অদুগা নৈনরম্মী।

অসিগুম্বা চাংয়েংশিং অসিনা অতোসেকন্দ পলসশিংবু য়েংবা অমসুং ওনবা ঙম্মী হায়বদু উৎখি। অতোসেকন্দ পলসশিংনা এটম অমদগী ইলেক্ট্রোন অমনা চেন্থোরকপদা চঙলিবা মতম ওনবা অদুগা চঙলিবা মতম অসি ইলেক্ট্রোন্দুবু এটমদুগী ন্যুক্লিয়সতা কয়ামুক কন্না ফাজিনবগে হায়বদুগী মখা পোল্লি হায়বসু খঙবা ঙমখি। মসিদগীদি মোলিক্যুল অমদা ইলেক্ট্রোনশিংনা মফম অমদগী অতোপ্পা অমদা চৎপদা মতৌ করম্না ওসিলেট/ভাইব্রেট তৌবগে হায়বদু শাগৎপা ঙমখি।

নোবেল লোরেট অহুমসিনা পাঙথোকখিবা চাংয়েংশিংদগী ফংলক্লিবা অতোসেকন্দ পলসশিং অসিগী চন্নফম্বু করিনো? মসিনা এটমশিং অমসুং মোলিক্যুলশিংগী ফিজিক্সপু হেন্না মমুৎ তানা খঙহনবগা লোয়ননা লম্ কয়াদা শীজিন্নবা য়াগনি। খুদম ওইনা, ইলেক্ট্রোনিক্সতা মেটরিএল অমদা ইলেক্ট্রোনশিংনা করম্বা শাজৎ চৎপগে হায়বদু খঙবা হায়বসি মরু ওই অদুগা ইলেক্ট্রোনশিংগী শাজৎ অদুবু লাকশিল্লগা অপাম্বা থবক অমা পাঙথোকহনবা য়াই। অতোপ্পা অমরোমদনা, লায়ওং খঙদোক্লবগী পান্বৈ ওইনা অতোসেকন্দ পলসশিং কাপশিনবদা হকচাংগী সেলশিংদা য়াওরিবা মোলিক্যুলশিংদগী থাদোরক্লিবা সিগ্নেল অদুনা মোলিক্যুল অদুগী শাজৎ খঙহনগনি অদুগা লায়ওংদু লেপথোক্তুনা নারিবা লায়নাদু পুথোকপদা মতেং পাংগনি। ●

# মণিপুরগী মহুৎ 'মৈত্রবাক' ওনবা-২

- সোইবম মঙ্গিজাও মৈতৈ -

অসিগুম্বা থবক অসি তোলোপনা গভর্ণমেন্টতগী লৌবা থবক্লা মরন্নাইগী শেল তানবা লৈবাক্কী খন্দবা ওফিসল খরনা তৌবা ঙাঙনরিবসিনি। অসিগুম্বা পুকচেল শেংদবা ওফিসল খরা লৈঙাক্লা এক্সন লৌখৎতুনা জেলদা থাজিনখিবা য়াওখ্রবনি। লৈঙাক্লা মখা তানা এক্সন লৌখৎপীদুনা খুল মশীং হেনগৎপা থিংবগা লোয়ননা ওফিসলশিং পনিসমেন্ট পীহৌবা তঙাইফদ্রি। মীতৈগী খুল মমিং লৈকায় মমিং ওন্থোক্তুনা কুকিগী খুল মমিংদা হেল্ঠ কার্দ পীশিল্লকপদগী মৈ থাদুনা প্রোটেষ্ট তৌখিবা লৈখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট, ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মীতৈ খুল কুকিগী লম মমিং ওন্থোক্লম্বগী সী এমদা ৱাকৎপা লৈরি। নাগালেন্দ, মিজোরাম, অসাম, বেঙ্গলনচিংবা ষ্টেটশিংগী মখোয়গী ওরিজিনেল মমিং, প্রাইমোরদিয়েল মমিং হান্নদগী কায়হল্লক্তবা, হোংদোক্লক্তবনা অতোপ্পা কম্যুনিতিনা কারন তুরন খনবা ঙমহন্দে। মখোয়গী আইদেন্টিটিদা শীংনদে। ফূরুপ অতোপ্পনা খুল তাগে হায়রুবদা ফূদুনা তাল্লক্কনি। খুদমশিং অসি নীংশিংবা, কাউদবা চঙই হায়না থমজরি। ইমা মণিপুর হায়বদা থুক থুক লাউবা ফাওগনি অদুনা ইমা মৈত্রবাক হায়বদদি পূক্লিং নুংশি নুংওনগনি। মীনম্বা য়াবা নত্তে।

মতম অমদা মণিপুরগী ইতিহাসতা মহাভারতকী মণিপুরনি। অর্য্যানগী লৈবাকনি হায়রুবগী ৱাথোক ওইদুনা মীয়াম্না ইতিহাস অদু য়াখিদবগা লোয়ননা চৎহনখিদ্রে। খোঙফম অদুদসু মৈত্রবাক হায়না মহুৎ শিনজিল্লম্বা য়ারবনি। অদুবু লৈঙাক্কী মীহুৎশিংগী মকোক্তা ৱাখল অমত্তা ফাওখিদবনা অমদি মিংবু করিসু লৈতে খনখিবনা ওন্থোকখিদে। মতুং কুমজা ১৯৭০, ১৯৭১ অমদি ১৯৭২দা মণিপুরনা ষ্টেট ওইরকপদসু মৈত্রবাক থোল্লম্বা য়ারম্বনি। মশা মশাগীতা খনখিবনা ওন্থোকপা ঙমখিদবনি হায়না ঙাঙনহৌরিবনি। মসিনি মীতৈগী হৈনৌজোম য়ুম্বাল তেলঙ্গা য়াহিপ, কাং চাকচা য়াখুন নাইদে, ককচেং চৎপা খোঙ্গুন তাদে হায়বদু ওইহৌরে। রিজেক্ট তৌখিবা ইতিহাস অর্য্যানগী লৈবাক মহাভারতকী মণিপুর নত্তে। চৎনদরে হায়না মীয়ামগী থম্মোয়দা লৈনরে। হৌজিক্কী ষ্টেটকী মমিং মণিপুর রিটেন্দ তৌবা খাকহৌবগী লোজিক করিনো? হৌখ্রসনু, ওইখ্রসনু লুরিবদি হৌজিক্কী শীজিন্নরিবা ষ্টেটকী মিং মণিপুর অসি করম্বা ওইবা তারে? অনী শুরে হায়রবসু রিটেন্দ তৌহৌরিবা অসি অর্জুন বব্রুবাহনগীদু নত্তবরা? অমখক্তনি খল্লবসু মহাভারতকী মণিপুরদুনি হায়রোইদ্রা? মহাভারতকীদু নত্তে হায়দুনা দোক্যুমেন্ট কয়ানা প্রূভ তৌজরবসু মণিপুর কৌবা মিং অসিনা মহাভারতকী, অর্জুন, বব্রুবাহনগী ৱারীদি লিরি পুদুনা চৎলি। মখোন থোক্তনা মরোল লোল্লি হায়বা লাল্লবরা? মণিপুর মিং অসিনা পুদুনা চৎলিবা ৱারী অসি তোকহনগে হায়রবদি মণিপুর মমিং অসি তোকথোক্তুনা মৈত্রবাক কৌরে হায়না ওনদ্রিবমখৈ য়ারোই। মীতৈ খুন্নাই অনম-অহা চুদুনা ৱাখল লৌশিং থোক্লকত্রিবা কুইরে। হৌজিক লৈরিবসিদি অঙাংদা ঐখোয়না পোৎ অদু খূত্তা পায়শিল্লগা 'হুৎ লংথোকখ্রে, ক্বাক্লা লাকখ্রে' হায়বগুম্বনি। ক্লব নহারোল, মহৈরোয়শিং এৱ্যের্নেস কেম্পেন তৌবা চঙলি। ঈশিংনা মীচম মীয়াম্নি, মীহুৎনা (লৈঙাক) ঙানি। অসি খঙনা ৱাখল লৌশিং থাদবা চঙলি। ষ্টেটকী মিং 'মণিপুর' মৈত্রবাক্লা মহুৎ শিন্দুনা ওন্দ্রবদি খুন্নাই অসি অচৌ-মচা, অকন-অথৌ লোয়ননা মচা মশু মূৎখিগদৌরিবনি (Extinct)। লৈঙাক অমদি মীচম মীয়াম থম্মোয় পাংদিং মান্ননা অরোইবা পান্বৈনি খন্না হোৎনমিন্নরসি। লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা দেমোক্রেটিক প্রিন্সিপল খঙনা থৌদাং লৌহঞ্জনীংই। নৎত্রবদি ঙাশেপ চিবান্দোংগী 'পেন্মা নঙসু ঐসু পুমশি' হাবয়বদুদি তাহনগুমসি। মণিপুর ষ্টেট মমিং মৈত্রবাক হায়না ওন্থোকপা হায়বসি হন্দক কুকিনা মীতৈদা লান তারকপা অসিগী অরোইবা ৱারোইশিনগী মনুংদা তুংকোইবা ৱারোইশিনগী শরুক অমা ওইগদৌরিবনি। থেংথবা ফরোই। তাইবঙ মপুনা শেল্লম্বা লম মৈত্রবাক্তা ইহান হান্না খুন্দাবা মীতৈ ফূরুপনি (য়েক সলাই লৈবা চীংমী-তম্মী অনীমক) মীতৈনা ঙাঙনরিবা লোলনা মীতৈলোলনি। মীতৈ লৈবাক্তা পোকপনি চাউরকপনি। মৈত্রবাক্কী মহৈ মরোং চাদুনা হিংলক্লিবনি। লৈবাক্কী মমিং মণিপুর কৌগনি হায়রিবা কাঙবুনা কদাইদগী ফূক্তুনা পুরক্লগা থল্লবা লম নত্তে। খঙমিন্নসি। মণিপুর অমসুং মণিপুরী হায়বা গ্লাস অনী য়াওবা আনোক অমা উপ্লগা ৱাখলগী চিংদোন্দগী য়েংথরকপদা শোয়দনা উবীগনি। মীতৈ খুন্নাইগী ব্রেনগী লেভেল মদুদি ইমা লৈবাক মণিপুর হায়রকপদা তাৎকী লাংদা থুরদুনা ও! মীয়ামদা ইমা কৌরে হায়বা খঙগনি। ষ্টেটকী মমিং অরানবসি শুম থল্লবদি য়োৎ ফাওবা চপখাইবদা মহি চেলহনবা ঙম্বা দিষ্টরাষ্ট্রনা মঙাগী ভিমবু ইপা অমুক্তা নুংশিনা কোনগে লাও হায়বগা অন্মানি। মণিপুর মমিং লৈহনবা, থম্বা হায়বসি মীতৈগী Divine ancesters শিংবু অমোৎপা তৈশিনবগা পাংখক্লি। ষ্টেটকী মণিপুর মমিং লৌথোক্লগা হান্নগী মৈত্রবাক মমিং হঞ্জিনহন্নবা হৌজিক ওর্দিনান্স অমা থোকপীবা অদুগা মখা তাবা রেক্টিফাই তৌদুনা এমেন্দ তৌবা থুনমক তৌফম থোক্লি। ষ্টেট অমদি সেন্টর অনীমক্তা দবল ইঞ্জিনগী লৈঙাক লৈবনিনা য়াম্না মতাং চারি। তৌবিরক্কনিসু থাজে। তপ্পা থুবা হায়বদুদি লৈঙাক্কী মীহুৎশিংনা তৌগদবনিনা তুংগী মীরোল ফাওবা মূথৎলগে হায়রগনা লৈবাক্কী মমিং ওন্থোক্তবা তারে। কল্লগে হায়রগনা মৈত্রবাক হায়না মণিপুরগী মহুৎ শিন্দোকপা তারে। লানগী তুং কোইবা ৱারোইশিনগী শরুক অমনি। মীতৈ লৈবাক হায়বদা সেক্টেরিয়ন ওই হায়না পাউথোকপীবা অদু চীংগী ইচিল ইনাও ওইরমদ্রে। খুরক্কী ঈনা লাই শাবা মীতৈ মরক্তগী ওইরম্লি। হৌজিক খঙনরক্লি। 'নুংশিজবা শক্তম কাউজদেনে থম্মোয়নুংদা, নুংশিজবা মিংলেন - মৈত্রবাক! মৈত্রবাক! কাউজদেনে ঙসি ফাওবা!' ●

# লান লোইখিরোই পোপি লোক্তরি

-থৌদাম তোম্বা মৈতৈ -

হন্দক চহীদি হান্নগুম পোপি পান্বী য়ান্থৎপা চঙবসু মণিপুর পুলিসনা ঙম্মরোই, ঙমদনবা পান্বৈসু হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা নিংথিনা পোরম য়াৎতুনা বফর জোন থমদুনা তম্পাকলোম নাকন্দনা মণিপুর পুলিসনা অদুগা চীংগী শরুক্তনা সেন্ত্রেল ফোর্সনা ঙাকহনবা হায়দুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরদা চীংদনা অমিট শাহনা তৌরগে তম্পাক্তনা চীফ মিনষ্টরনা তৌরো হায়খিবা অমিট শাহগী লৌনম ওইবা থৌরাং হু চেল্লবা ৱাহৈ খরসিনা মীতৈশিংগী লেঙম শাঙমদ্রবা হায়বদো হীরম খুদিংদা ওইদুনা লৈরে। মীহাৎপা কুকিশিং লৈরে খঙলবা মফম চীংয়াদা পুলিসনা চঙগে হায়বফাওবা চঙহন্দবা অমিট শাহগী য়াথং ইল্লিবা সেন্ত্রেল ফোর্সশিংগী মতৌসিদা করম্না পোপী পান্বী কনানা...? হন্দক্তি মপূং ফানা অদুম লোকখিবা তাবনি, ফংলকপা শেলয়ামদুনা কুকিগীদমক লোন লৌবীরিবা পূম্নমক্কী মফমদা হৈথখ্রনি। অদুবু য়েংবা তারিবা অমদি অমিট শাহনা পোপীগী মায়োক্তা লৈগনি হায়খিবা, মসিনা য়াম থম্মোয় শেংনা হায়বা ওইরবদি হন্দক্তি মণিপুরদা শুপ্নগী পোপি পান্বী অমফাওবা হৌফম থোক্তে। মরমদি হন্দক চঙলকখিবা সেন্ত্রেল ফোর্স ময়ামসিনা চীংগী শরুক অয়াম্বদসু লৈরে মখোয় ময়াম প্রিক প্রিক শৌনা লৈরিঙৈসিদা অমিট শাহনা পোপী পান্বী হৌহনবা য়ারোই, চেন্নবা মীশিং ফাজিল্লু মতাং চারিঙৈসিদা হায়হৌবা চুমগনি অদুবু হায়বা ঙমগদৌরিব্রা? হায়ফমসু থোক্তব্রা?

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা পোপিগী মতাংদা অকনবা থবক লৌখৎলগা লাক্লি হায়বসি অমিট শাহসু খঙফম থোকই অমসুং মসিদা মতেং পাংশিনফমসু থোকই। মসিগুম্বগী মতাংদদি দবল ইঞ্জিনগী ৱাহন্থোক লৈহল্লরোইদ্রা? গভর্ণমেন্টনা অফবা স্কিম কয়া হৌদোকপগুম অপীকপা লমদম মণিপুরদগীসু পোপীগী মায়োক্তা চঙশিনবা কেম্প্যেন অমত্তং ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অনীনা হৌদোকপীদুনা ইন্দিয়াগুম্বা দ্রগ ফ্রী ওইবা লৈবাক অমা ওইহল্লসি। হায়না হায়না পোপী লোকপা মতমসু য়ৌরক্লে, সেপ্টেম্বর/ওক্টোবর থাদগী লোকপা হৌরগা মখা চত্থনা লোকই হায়নৈ। হন্দক্কীসু লোকপা হৌদ্রিঙৈদা গভর্ণমেন্ট অনীনা কোক চুংশিন্নদুনা পোপী থারম্বা মখৈ লোইনা মাঙহনবা মথৌ তাই নৎত্রগদি পোপীগী মরমদা কুকিশিংবুসু শাওহল্লম্লগা লান ফাওবা তৌহল্লম্লগা মীশি মীনা ওইহল্লম্লগা পোপীনা সুম-সুম লোকহনখ্রবদি ৱাহন্থোক লৈতবা থৌওং ওইহৌগনি। য়াদে হায়বদুদি মতম চূপ্পদা য়াদে খঙহনবীয়ু। মসিগীদমক্তা মীচম মীয়াম্না অৱা অনা থেংনবদা করিসু নিংদোন পোমজরোই। ঙসি ঐখোয়না মীশি মীনা য়াওরবসু তুংগী ইচা ইশু মীরোলনা অফবা খুন্নাই অমা ওইহৌবদুনি পূম্নমক্লা পাল্লিবা। পূম্নমক খনবা য়াবা খঞ্জবনি লমদমসিগী পোপিগী মায়োক্তা লৈবা পূম্নমক্লা অদুবু হন্দক্তি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী থৌদাং য়াম্না চাওই খঞ্জরিবা তাঞ্জাসিদা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ট বিশ্বা সর্মনা সেপ্টেম্বর থাখায়দা হায়খিবা মণিপুরগী লান অসি থা ২ রোম চঙখিনি হায়খিবসিনা নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো? হৌজিক ফাওবদা থা ৫ হেল্লক্লে অমুক মখা তানা থা অনীগী ৱাহন্থোক করিনো? ৱাফমসিদি অসামগী সী এমনা ওইনা হায়বা মান্দে সেন্টরগী বি জে পিগী ওইনা ঙাঙবা ৱা ওইরল্লবদি লান লোইখিরোই পোপি লোক্তরি হায়বগা চপ মান্নে। অদুবু গভর্ণমেন্টকী খোঙথাং তম্পাক্কী লৌফম কয়া পোপি থারগে খল্লবা লৌমী কয়ানা য়েংদুনা লৈরি। লানগীদমক্তদি লৈবাক মনুংগী কনফ্লিক্টনি, কন্ত্রি অমগা কন্ত্রি অমগা শোক্লবা লান নত্তে, নহান্না লোইশিনবা ঙমহনবা য়াইনা হায়বসি পূম্নমক্কী ৱাখলনি। ওইফমসু থোকপনি নৎত্রগদি গভর্ণমেন্ট লৈবগী কান্নবা করিনো? গভর্ণমেন্ট হায়বসিগী ৱাহন্থোক করিনো? মশাগী মীয়াম মশাগী লন থুম ঙাকপা শেনবদু নৎত্রো? মীয়ামগী পুন্সি সুম সুম মখা তানা মাঙহনবা, লন থুমসু মাঙহনবা মসিবু গভর্ণমেন্টকী করি অফবা খুদমনো? মণিপুরদা কুকি লালহৌবা লৈহনফম থোকপ্রা হায়বসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্ট অমদি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অনীনা হান্না মুন্না খনফম থোকই। মখোয়গী পান্দম হোমলেন্দ অমদি সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসনসিদা ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মণিপুর কাইহল্লোইসু অমুক হায়রবনিনা ইশম শম্না কুকিগী পান্দম পীরোই হায়বনি অদু ওইরবদি মখোয় লানহৌদুনা লৈহনফম থোকপ্রো? কুকিশিংগী অহেনবা পুন্সি মহিং অমা শেন্বীরগে মহৌশাগী পুন্সিদা হল্লক্তুনা মীতৈশিংগা ঈংনা চিক্লা লৈমিন্নৌ য়াদ্রগদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা নখোয় লোইশিল্লগনি, মসি নত্তবা কুকিগী মফমদা হায়গদবা ৱাসি করিনো? কুকিগী পান্দমসু পীরোই হায়বা, কুকি লালহৌবসু সুম লৈহনগনি হায়বা ৱাহন্থোক য়াওদবা মওংসি ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মখা চত্থবা চুম্লোই। লালহৌবগী পাঙ্গলদুনা নৎত্রো ঙসি কুকিশিংনা মীতৈশিংদা লান্দাবা ঙল্লিবা, মীচম মীয়াম হাৎপা ঙল্লিবসে, মখোয়না লাল হৌরকপা মতমদা মরম চাবা লালহৌ ওইব্রা ওইদব্রা মুন্না য়েংলগা হৌরকপদা মূথৎপীরল্লবদি ঙসিগী অৱাবশিংসে থোক্লম্লোই। তম্পাক্কী লালহৌবদি নীংতম্লম্বা লৈবাক অমা ওইরম্লগা মাঙখিবা ফীভমবু অমুক হঞ্জিনজগে হায়বনি, ফংবা ফংদবনা অমনি। কুকিশিংগীদি মখোয়গী লৈবাক্তা মীতৈশিংনগা লান্দাদুনা মখোয়বু তান্থোকখিবা, মখোয়গী লম মীতৈশিংনা মুনখিবদৌনা মীতৈশিংদা হোমলেন্দ পীয়ু হায়দুনা মখোয়গী লালহৌবনা মীতৈশিংদা হৌজিক নোংমৈ কাপ্লিবসি মরম চাব্রো? মোইগী মপা মপুগী লম মীতৈশিংনা লৌশিনখিবা লৈব্রো? করিগী হোমলেন্দ? চহী লিশীং ২ হেল্লবা মীতৈগী পুৱারীদা চহী চনী ফাদ্রিবা মখোয়গী চন্নফম করিনো? লৈমিন্নসি, হিংমিন্নসি হায়রগদি মীতৈশিংনা লোয়নদুনা লাক্লিবা নৎত্রো মখোয়? পূম্নমক গভর্ণমেন্টনা খঙলগা কুকি লালহৌবা লৈহনফম থোকপ্রা থোক্তব্রা? মরম চাবা লালহৌবদি পিছ টোক্কীদমক লম্বী য়াৎপীয়ু। মরম চাদবদি হৌরকপদা মূথৎনবা হোৎনবীয়ু। ঐখোয়দি মসি হায়হৌদবা য়াদে। লমদমসিদা লৈরিবা ফূরুপ ময়ামসিগী হোমলেন্দগী লালহৌবা লৈরক্লবদি? ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।